# বরাক তম্পাক্কী চন্দ্রপুরদা থম্মোয়দা পীরকপা ইথিল

থম্মোয় পাউদম | ও সি মৈরা

লমদমসিদা লৈরিবা মী অয়াম্বনা চন্দ্রপুরগী মরমদা খঙনদ্রে। অদুবু চন্দ্রপুর হায়রিবা বরাক তম্পাক্তা লৈরিবা খুঙ্গং অসিদি মণিপুরীশিংনা কৈদৌনুংদসু কাউথোকপা য়াবা খুঙ্গং অমদি নত্তে। চন্দ্রপুরনা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক্তা করি থৌদাং লৌরকই হায়না নীংশিংদবা তারগদি য়াম্না চাউনা অরানবা অমা লংশিনবা ওইনা থোক্কনি। মরমদি চন্দ্রপুর লৈরমদ্রবদি ঙসিসু ঐখোয়না অৱাগী মখাদা মীখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা অসুম্মক লৈরম্বসু য়ারিবনি। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা চন্দ্রপুরদা গারোদ থমখি। লান ঔরাইখি। মণিপুরনা অৱা লৈবাক্কী মীখা পোল্লিনৈঙৈদা চন্দ্রপুরদা লান্মী শেমগৎতুনা মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনখি।



লানগী শাজেল কয়া তৌরবা মতুংদা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ অমসুং মনাও ইবুংঙো নরসিংহনা চন্দ্রপুরদগী লান খোঙশাল্লক্তুনা মণিপুরবু অৱাশিংগী মখুৎতগী কনখিবনি। ৱাফমসি ঙসিদি লমদমসিগী মরৈবাক নুংশিজব-শিংনা অচুম্বনি হায়বসিমসু ময়েক শেংনা খঙনরবিনি। মরমসিনদি নৈনরোলশিংনা চন্দ্রপুরগী মরমদা লেপ্পা লৈতনা থিজিন্নরিবসি। থিজিনবগী খোঙচৎ কয়া চৎনখি। লময়ানবগী থৌমীশিংনসু থিজিনখি। মেন ফেদরেসনগী থিজিন খোঙচৎসু চৎখি। চন্দ্রপুরদা লৈরিবা লান ঔরাইফম ওইখিবা মফম অদু ঙসিদি মীওই অমগী মীংদা পট্টালেন্দ ওইনা লৈরে। অদুবু মফম অদুনা মণিপুরগী অহানবা লেভি শেমখিবা মফমনি হায়বসিমদি কনানসু য়েৎনদ্রে। মণিপুর লেভিদগী মণিপুর পুলিস লাকখিবগী ৱারীসু লৈরি।

কুমজা ২০১১ গী জন্যুৱারি ৩০ দগী ৩১ ফাওবদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা থৌরম অমা চন্দ্রপুরদা পাঙথোকখি। মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসনা বরাক ভেল্লি মীতৈ কনভেন্সন মণিপুর কছার অমসুং মহারাজ গম্ভীরসিংহ মেমোরিএল কম্মিটি, চন্দ্রপুর-কছারগা খুৎশম্নরগা থৌরম অদু শিনখিবনি। কমেমো-রেসন ওফ মণিপুর লেভি অমসুং ৱান দে সেমিনার ওন কছার মণিপুর রিলেসন অদুনা চন্দ্রপুরবু খরা হেন্না মনুং হঞ্জিন্না খঙনবগী খুদোংচাবা অমসু ফংহনখিবনি। হৌজিকসু চন্দ্রপুরদা মীতৈগী য়ুম কয়া তারি। চন্দ্রপুর হায়রিবসি বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা তাবা মীতৈগী খুঙ্গং অমনি। থৌনা ফবশিংনা শেম্লম্বা খুঙ্গং ওইবনিনা হৌজিকসু থৌনা লৈনা হিংলি। মীতৈদি মীতৈ ওইনা হিংগদবনি হায়দুনা হিংলি।

নীংশিংলি চন্দ্রপুরগী খুঞ্জাশিংনা চিন্থাং ৱারী কয়াসু। গম্ভীরসিংহনা কছারদা লৈরিঙৈদা অৱাগী মখুৎতগী করম্না মণিপুর কনসিগে খনবদা অৱাবা ওইখি। মীতৈ তাবা কছারগী খুঙ্গং খুদিং চৎতুনা মীচঙ খোমখি। ভুবনচীংগী মনাক্তা লৈরিবা চীংজুর হায়রিবা মফম অসিদা লানগী থৌরাং শেম শাখি। অদুগা চন্দ্রপুরগী ৱারীবু মপুং ফাহনগদৌরিবসিনা লেংওন্দবী পাৎ-ননি। সিলচরদা লৈবা খোইরেন খুঙ্গংগী চিদাইদনি পাৎ অসিনা লৈরিবসি। পাৎ অসি গম্ভীরসিংহ অমসুং নরসিংহ, মচিন-মনাওনা লেং ওন্দনা শিংখি হায়বগী ৱারীনবা লৈরি। মচিন-মনাওনা লেং ওন্দনা ঈশিং শিংপদা পাৎ অসি কংবা ঙম্লবদি মণিপুর কনবা ঙমগনি হায়নদুনা লেং ওন্দনা পাৎ শিংখিবগী ৱারীনি। শক্নখ্রবা ৱাশকনি। মালেম লৈদা তাফদে।

লেং ওন্দনা পাৎ অদু কংনবা শিংখি। পাৎ অদুদগী ফারকপা ঙাশিং মীয়াম পুন্না চামিন্নখি। মচিন-মনাওনা চাকলুক অমত্তদা পুন্না ফম্লগা চামিন্নখি। অৱা তানবগী লান দা শরুক য়াগদবা লান্মীশিংনা লানচাক ওইনা চাক অদু চামিন্নখি। মতাংসিদা নীংশিংফম থোক্লিবদি মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা (১৬৬৬-১৬৯৭) গী মতম অমসুং মৈদিংঙু চরাইরোংবনা পানবা মতমনি। মতম অসিদা বৃটিশশিংনা মণিপুরদা তপ্না তপ্না তকশিল্লকখি। ঙাইহাক লৈতনা মণিপুরগা অৱাগা লান থেংনদুনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম ফাওবদা অকনবা লান শোক্কখি। অদুবু মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতম (১৬৯৭-১৭০৯) দদি মচানুপী চকপা মখাউ ঙম্বীবু অৱাগী তৌঙু নিংথৌদা থাজদুনা মণিপুর অমসুং অৱাগী মরী ফগৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা পাল্লকপা মতম কুমজা ১৭০৯ দগীদি অৱাগী তৌঙু শাগৈ লৈখা তাবা হৌরকখি। মৈদিংঙু অসিনা অৱা লৈবাকপু মায়থিবা পীদুনা অৱাগী কোনুং কৌমুদো পেগোদাদা থাঙফম তরেৎ হক্তুনা অৱাবু খুদুম চনবগী খুদম থম্ন মখি। মসিগী তুংদা অমুক মণিপুরগী পাঙ্গল শোন্থরকখি। মারজিৎনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদা বদৌপয়াগী মচানুপা বাসিদাউনা মণিপুর লৌশিন্নবগীদমক্তা থৌরাং কয়া শিল্লকখি। জেনরেল মহাবন্দুল্লানা মণিপুরবু নৈখায়দুনা মণিপুরবু অৱাগী মখাদা চহী তরেৎ খুন্তাকহনখি। অফবা মরী থম্ননবা থাজখিবা নিংথৌগী মচানুপীগী ঈনা করিসু তৌবা ঙমদনা কপ্না কপ্না লৈবদা মতাখি।

অৱাগী খুৎতা অৱাবা নংলবা লমদমসিগী মীয়াম কন্ননব-গীদমক্তনি গম্ভিরসিংহ অমসুং নরসিংহনা কুমজা ১৮২৪ দা চন্দ্রপুরদা মণিপুর লেভি শেমখিবনি। মণিপুর লেভিদা লান মী ৫০০ না শরুক য়াখি। মণিপুর লেভিগী মখা শমথরকখিবনা মণিপুর পুলিসনি। মণিপুর লেভি শেমখিবা মফম হৌজিক্তি মণিপুরী খুন্নাইনা চেকশিন্না ঙাকশেনবগী মথৌ তারক্লে। বরাক তুরেল তোর্ব্বানদা লৈরিবা মফমসি অকনবা ঈরৈনা চেন্থখিদনবা হোৎনবা চঙলি। মফম অসি পূক্নিং হুরবা মফম অমনি। মফমদুদা ফম্লগা হিহোনবশিং অমসুং ঙা ফাবা ঙামীশিংগী পুন্সি মহিং য়েংবা অসিসু নুংঙাইবা মথেল অমনি।



# নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইবনা ক্রোনিক দিজিজ ২৫ হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্মী

নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ভিটামিন দি ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা ল্যুকেমিয়া (ব্লদ কেন্সর) অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, সেন দিগো স্কুল ওফ মেদিসিনদা প্রোফেসার ওইবা সেদ্রিক গার্লেন্দনা হায়খি, নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ল্যুকেমিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলে। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৭২ দগী খোমজিন্দুনা দেটা নৈনরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ভিটামিন দি ৱাৎপদগী মীওই অয়াম্বা ল্যুকেমিয়া নারকপনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, চিলি, আইরনলেন্দ, কেনাদা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা নোর্থ পোল নৎত্রগা সাউথ পোল মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদা ল্যুকেমিয়াগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি নুংশা মঙাল ইফং ফংদবননি। অমরোমদা নুংশা মঙাল মরাং কায়না ফংবনিনা বোলিবিয়া, সামোৱা, মদগস্কর অমদি নাইজেরিয়াগুম্বা ইক্বেটর মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদদি কেন্সর নাবগী চাং নেম্না লৈ।

গার্লেন্দনা হায়খি, নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিংদি হকচাংনা ভিটামিন দি মরাং কায়না লৌশিনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরদুনা ল্যুকেমিয়া অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। নুংশা মঙালদা য়াওবা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিয়েসননা উনসাদা য়ৈবা মতমদা হকচাংনা ভিটামিন দি মপুং ফানা লৌশিনবা ঙম্মী। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মখাদা ইন্টর্নেসনল এজেন্সী অমা ওইনা লৈরিবা গ্লোবোকেননা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ৱাফম অসি পি এল ও এস ৱান জর্নেলদা ফোঙলকখিবনি। নিংথমথানিনা নুংশা য়াইবা নুংঙাইবা মতাং ওইরি। ফৈজুপ মনুংদা হীপচিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক অয়ুক্তা নুংশা য়াইবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী।

অদুম ওইনমক মতম শাংনা নুংশা য়াইবসু য়াদে। মসিনা উনসা খুইহনবগা লোয়ননা স্কিন কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না নোংমদা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইগদবনি হায়রি।

নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংনা নুংশাদগী ভিটামিন দি অমসুং কেলসিয়ম লৌশিনবা ঙম্বা মরম্না শরূগী মপাঙ্গল কলহল্লি। মশলগী মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা থম্মোয়গী মীহুল চাং নাইহল্লি।

হকচাংনা ভিটামিন দি ৱাৎলবা মতমদা ওটোইম্যুন দিজিজ, কার্দিও ভাস্কুলর দিজিজ, ক্রোনিক ইনফ্লেমেসন, কেন্সর মখল খরা অমসুং দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

ভিটামিন দিনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবা মরম্না হকচাংদা বেক্টিরিয়া অমদি ভাইরসনা ইনফেক্সন তৌরকপদা ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। অঙৗংবা অমসুং নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওই ৬ খুদিংগী মনুংদা অমদি সিজনেল এফেক্টিভ দিসওর্দর (এস এ দি) গী খুদোংচাদবা মায়োক্কে। অদুবু নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংদা সেরোটোনিন চাং হেনগৎহন্দুনা অহেনবা এন্দোর্ফিন পুথোরকপদগী পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহল্লি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টদিশিংগী রিপোর্টনা হায়রি, নোংমগী ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি ভিটামিন দি মরাং কায়না ফংবা ঙম্বা মরম্না দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ওটোইম্যুন দিসওর্দর, ওবেসিটি, ইনফর্টিলিটি অমদি অতৈ খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী। নুংশা য়াইবনা লিভরগী মথৌ হেনগৎহনবা মরম্না জোন্দিস ফহনবদা মতেং পাংই। ইশম-শম্না হায়রবদা নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক নুংশা য়াইবনা ক্রোনিক দিজিজ ২৫ হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

নুংশা মঙালনা চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা হায়রি, নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইবা মতমদা র‌্যুমেটোইদ অরথ্রাইটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা ওপরেসন তৌরুরবা মতুংদা চাং নাইনা নুংশা য়াইরবদি চৈনাখোল হন্থহনবগা লোয়ননা ওপরেসন তৌবগী লেনখিবা মফম থুনা ওইশিলহল্লি।

কনাগুম্বা তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা নুংশা য়াইবা কান্নগনি। অয়ুক্তা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইরবদি নুমীদাং তূম্বা নুংঙাইহল্লি। কান্নবা ফনা য়াম্না ফংবা তারবসু হেঞ্জিনবা মঙংদা মতম শাংনা নুংশা য়াইরবদি অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লকই। মরম অদুনা য়াম্লবদা নুমীৎ খুদিংগী মিনিট ১৫ রোমতমক নুংশা য়াইগদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।

# কংলৈ লিভিং আর্টসকী দ্রামা *পুন্সি*, *লাইবক* অমদি *খোঙচৎ* উৎখ্রে

গ্যানন্দ নাওরেম

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা লিবর্টি ঠিএটর, ককচীংনা শীন্দুনা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংগী ওদিটোরিয়মদা চথরকখিবা অনীশুবা ফেষ্টিবেল ওফ ট্রেদিসনল এন্দ কন্টেম্পরেরি মণিপুরী প্লেজ ২০১৪-১৫ গী হুন্নী চনবা নুমীৎতা কংলৈ লিভিং আর্টস, উচিৱাগী দ্রামা *পুন্সি*, *লাইবক* অমদি *খোঙচৎ* উৎখ্রে।



লীলা অসি থৌদাম প্রেমজিৎনা ইবনি অমসুং লমজিং লমতাকপনি। লীলা অসি হৌজিক্কী মতমগী মীওইশিংগী পুন্সি মহিং অমসুং মতম অমদা লাইগা মীগা শম্নৈ হায়না থাজনরিঙৈ মতমগী ইপিকশিং হায়বদি মহাভারত, রমায়নগী মতমদা লৈরম্বা মতমগী মীওইশিং অসি চাং য়েংনদুনা পুথোকপা মখলনি।

লীলা অসিগী অহৌবা শরুক্ত ঙসিগী মীরোলনা থেংনরিবা মীহাৎ-মীপুন অমদি মীশি-মীনাগী চৈথেং নংলবা, মীকপ মীরাওখোল নংবগী শরুক অমগা লোয়ননা কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা অচুম্বনা মায় পাকখিবা, মচা কায়নখ্রবা হষ্টিনাগী নিংথৌ ধৃষ্ট্ররাষ্ট্র অমসুং মহারানি গন্ধারিনা মচা দুরজধনবু কৌদুনা অৱা তেংথাবগী শক্তমগা পুন্না উৎলি। মখা চথরকপা সীন অমদা লাঞ্জদ্রবা পান্ধব মচিন-মনাও মঙাবু শৌকনিগী শরৌদা চৌবোর শান্নদুনা মখোয়গী লোয়নবী দ্রৌপতিগী ফি মুনবীবগী শক্তম উৎলি। মথংগী সীন অমদা নোংমৈ পায়বা মশেলগী মুক্লবা লৈরিবা লমদম অসিদা মীচম মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি লীলা অসিগী অইবনা মমি নীংথিনা তাদুনা মীয়ামদা উৎথোক্লবা হোৎনবগী তাঞ্জা অমনি। লালহৌবনা মশীং থিঙমদনা লৈরিবা লমদম অসিদা নুংশি-চান্ননা, নৌনা য়ুম্বান দুনা লৈমিন্নরিবা ইমুং অমদা নোংমা শকখঙদবা নহা অমা চেনশিল্লক্তুনা বেগ অমা ইমুং অদুদা পীশিল্লম্লগা মফম অদুদগী চেনখি। নুপা অদুনা চেনখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি পার্সনলশিংনা চেনখিবা নুপা অদুবুদি ফাবা ঙমহৌদ্রদুনা ইমুং অদুদ মীওৎ-মীনৈ চথখি। ইমুং অদুদা লাকপা কুইদ্রিবা মৌ অমবু সিক্যুরিটি পার্সনলশিং অদুনা মপুরোইবগী মমাঙমক্তগী ফাদুনা নমদুনা ফম্লানবীখি। মপুরোইবা অদুবুনা তমথিনা ফূবীরমখি। নুপী অদুনা মহাকপু ফম্লানখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীনোক চাউরবা তাইবঙ অসিদা হিংদুনা লৈবগী শরুক শিজখিবনা হেন্না ফৈমতাগুম মশা মতোমতা মৈ থাজদুনা শিজখি। সীন অসিদা লাইটকী মতেংনা য়েংলিবা ভাবোকশিংদা নুপী মৈ থাদুনা শিজখি হায়বগী মঙং অদু উৎখি। মরাল লৈরবা সিক্যুরিটি পার্সনল অদুনা লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিংদা য়াম্লবা শেনফম পীদুনা মহাক্কী মরাল অদু থৈদোক্লবা হোৎনখি অমসুং থৈদোকখি। অশিবা হকচাংদু পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবা ডোক্তর অদুদসু য়াম্লবা শেনফম পীগনি হায়না লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট শেমদোক্লবা য়াথং তৌখি। ঙসিগী মণিপুর খুন্নাইদা শেল অমসুং লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগা নক্ক বশিংনা ঙমদবা লৈতে হায়বদু মতাং অসিদা ময়েক লানা উৎতুনা অয়েংবশিংদা ৱাখল তাহল্লি। মরাল লৈজদ্রবা মপুরোইববুনা কৈশুমশঙদা থন্বীবা, অচুম-অরান থিদোক্তনা ময়ুম শীদোকপীবা, মৈ থাদোকপীবা ঙসিগী মণিপুরদা চৎনরিবা মোব জষ্টিসকী থৌওংশিংবুসু লীলা অসিদা পুথোক্তুনা উৎলি। অচুম-অরান খঙদনা মীগী য়ুম শীদোকপা, মৈ থাদোকপা অসিনা মরাল লৈজদ্রবা কয়াবু অৱাফমদা তাহনবা য়াওদবা নত্তে। ঐখোয়গী তুংলমচৎকীদমক ৱাহং কয়া হংদুনা লীলা অসি লোইশিনখি। লীলা য়েংলিবশিংনা লীলা অসিনা পীনিংলিবা পাউজেল অদু মপুং ইফা ফাদবগুম্না ফাওনখি। *পুন্সি*, *লাইবক* অমসুং তুংলমচৎতা ঐখোয় করি ওইগনি, ঙসিনা কনাদা থোক্লি, হয়েংনা কনাদা থোক্কনি হায়বা ৱাহং অসি অয়েংবশিংদা হংলিবা ৱাহংনি। অদুবু লীলা অসিনা পীনিংলিবা মপুং ওইবা পাউজেলদি অরান-অচুম য়েংদনা মোব জষ্টিসনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়বা অসিনি।

লীলা অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি দুরজধোনগী শক্তমদা প্রেমকুমার ওইনাম, মন্ত্রি অমদি শৌকনিগী শক্তমদা হেমন্তা লুৱাং, ধুষাসন অমদি পুলিস এস আইগী শক্তমদা লৈহাওথাবম খেখে, কর্না অমদি ডোক্তর অমগী শক্তমদা সলাম বিশ্বজিৎ, কৃষ্ণগী শক্তমদা সরাংথেম পুস্পরানি, শুত্রধারগী শক্তমদা থৌনাওজম প্রেমজিৎ, দ্রৌরপতি অমদি মমাগী শক্তমদা সনামচা ওইনাম, গন্ধারি অমদি লাংলেনগী শক্তমদা য়ুম্নাম রেবিকা, থোইবগী শক্তমদা ওক্রম বসন্তা, কোরসতা দরা, বিজেন, প্রেমকুমার অমদি লময়ানবীনি। ম্যুজিক রিঙ্গো অমসুং মনিতোম্বা, লাইট এস সুরেন, মেক-অপ সরাংথেম উষারানি, কষ্টুম ৱাই রেবিকা অমসুং বেবি গ্রেসনি।

হয়েং ফেষ্টিবেল অসিগী নুংথিল পুং ৪.৩০ দা মণিপুর ঠিএটর একাদেমী, ৱাঙ্গোইগী দ্রামা *ৱাটর ৱাটর* অদুগা নুমীদাং পুং ৬.৩০ দা ককচীং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *লৌসি পাৎতা মোইৱাং থোইবী* উৎকনি।




HL-P/4051/10/01-24/01/16







